# য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন মায়থীবা পীরল্লগা এফ সি জালেন মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী অনীশুবা ষ্টেজ (নোক আউট) গী ঙসি শান্নখিবা লুজরগী মেচতা এফ সি জালেন সদর হিলসনা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্মুংবু মায়থীবা পীরল্লগা মথংগী রাউন্দদা চঙখ্রে। মায়থীহৌরবা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন ষ্টেট লীগতগী লৈহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এফ সি জালেন অমসুং য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচ অদুগী অঙনবা শরুক্তা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

তপ্না তপ্না এফ সি জালেনগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নরকখি। অদুম ওইনমক মেচ অদুগী অঙনবা মতম মঙাশুবা মিনিটতা এফ সি জালেনগী এন জি বিদেনপান মোয়োন্না গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগী শান্নরোয়শিংদা অকনবা প্রেসর পীখি।

এফ সি জালেন্না গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং গোল শোত্থরিবা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈ মনুং মেচ অদুগী ৩৯ শুবা মিনিটতা ফংখিবা পেনালটি অমদা টিমদুগী শান্নরোয় পেত্রিক কামৈনা এফ সি জালেনগী অনীশুবা গোল চনখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফফাওবদা এফ সি জালেন্না গোল অনী মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং হাফ মতুং মেচকী ৮৮ শুবা মিনিটতা চাংতে মলাসাওকিমানা টিমদুগী অহুমশুবা গোল চনখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না অকনবা মওংদা শান্নরকখিবনা ফাউল কয়া তৌনখিবনা টিম অনীমক্তা য়েলো কার্দ ৩/৩ রেফ্রিনা বুক তৌখি।

চথরিবা মণিপুর ষ্টেট লীগ অসিগী হয়েংগী মেচ নুংথিল পুং ২.০৫ চৎপা মতমদা এইম খাবম অমসুং ক্লাসা কৈনৌ অনীনা শান্নরগনি।

# নুপীগী ইপি টিমদা মণিপুরনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ ঃ

মণিপুরনা য়ূম্নু ওইদুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ২৪ শুবা জুনিয়র নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬-১৭ কী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরগী নুপী ইপি টিমনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ষ্টেট ২২ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা নুমিৎ ৪ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা নুপীগী ইপি টিমগী ফাইনেলদা মণিপুরনা কেরলা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

ঙসি নীনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ড মেদল অনী, শিলভর মেদল অমা ফংখি। নুপাগী টিম ইভেন্টতা মণিপুরনা শুপ্নগী শিলভর মেদল অমখক ফংখি।

গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মণিপুরগী ইপি টিমগী শান্নরোয়শিংদি এস কিরনবালা, এল বিদ্যাবতি, ও সনাতোম্বী অমসুং ঐচ লিনথোইনি। নুপীগী সেবর টিমদা মণিপুর কেরলাগী মখূৎতা মায়থীদুনা শিলভর মেদল ফংহৌখি। কেরলানা গোল্ড মেদল ফংখি। মণিপুরগী শিলভর মেদল অদু এস হিরোন, টি ঐচ পুস্পা, ইচল থোকচোম অমসুং ঐচ অনপ্রিয়ানা লৌখি।

নুপাগী ইপি টিমদা মণিপুর সার্ভিসেসকী মখূৎতা মায়থীদুনা শিলভর মেদল ফংহৌখি। মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবা শান্নরোয় মরি অদুদি এল লেনিন, সেরাম চীংলেম্বা, ঈ দিনিকুমার অমসুং কে ঐচ অমরনি।

ইপি টিম অদুদা রাজস্থান অমসুং টামিল নাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি। সেবর টিমদা সার্ভিসেসনা গোল্ড মেদল, হরিয়ানানা শিলভর, জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং পঞ্জাবনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। ফোইল টিমদা পঞ্জাবনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

# ষ্টেট থাঙ-তা কম্পিটিসন

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা য়ূম্নাম হুইদ্রোমদা চথরিবা ২৭ শুবা ষ্টেট থাঙ-তা কম্পিটিসন ২০১৬ কী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা সব জুনিয়র বোইজ ফুননবা অনীশুবদা মাল্লুং ব্রাঞ্চকী এল বুঙোনা গোল্ড, সেঞ্জম খুনৌগী মহেশ ইরুংবম্না শিলভর অদুগা য়ূম্নাম হুইদ্রোমগী এল বিসালনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

কেজি ৪৯ মখাগী কাঙলুপ্তা ৱাংবা থৌনাওজম্না গোল্ড, সাই সেন্টর থৌবালগী লিশিন থৌদাম্না শিলভর অদুগা য়ূম্নাম হুইদ্রোমগী ৱাই উমাকান্তনা ব্রোঞ্জ মেদল ফাখ্রে। কেজি ৫৩ মখাগী কাঙলুপ্তা সেঞ্জম খুনৌগী এল লুহেনবনা গোল্ড, থাঙ-তা একাদেমি তখেল্লম্বগী কে উমাকান্তনা শিলভর, পহুলাসি ময়ায় কোয়বীগী এ তম্ফায়াওইবনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে। কেজি ৫৩ মথক্কী কাঙলুপ্তা সাই থৌবালগী ও অমরজিৎনা গোল্ড, টি ঐচ রাজেসনা শিলভর, সেঞ্জম খুনৌগী ঐচ জেমসন্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

সব জুনিয়র গার্লস ফুননবা অনীশুবগী কেজি ৩৩ মখাগী কাঙলুপ্তা মাল্লুং ব্রাঞ্চকী টি নিজিতানা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

# ষ্টেট ওপন ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ ঃ মণিপুর ৱাটর পোলো এসোসিএ-শন্না শিন্দুনা কোংবদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ কোলেজ স্বিমিং পুলদা চথরকপা ৩৬ শুবা ষ্টেট ওপন ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি লোইশিননিখবগা লোয়ননা ৱাইলকো কোংবনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ৱাইলকো কোংবনা কে ৱাই ও গোল ১৫-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা কে ৱাই ওনা রন্নর্স-অপ তাখি। টুর্নামেন্ট অদুদা কে ৱাই ওগী এস সিটলজিৎনা বেষ্ট গোল কিপর তাখি। ৱাইলকোগী এল ব্রাউন্দনা বেষ্ট দিসিপ্লিন প্লেয়র অদুগা কে ৱাই ওগী এম প্রিয়াচন্দ্রনা বেষ্ট প্লেয়র তাখি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অদুদা সী এ সী টিম এনা থার্দ প্লেস তাখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা ৱাইলকোগী গোলশিং অদু এল বেবেকানন্দনা গোল ৫, এল ব্রাউন্দনা গোল ৪, এন জি সোবিন্না গোল ২, এল প্রিয়োবত্তা, টি ঐচ গোলসন, কে এস ঐচ রমানন্দ অমসুং এল বোবিনা গোল অমমম চনখি। কে ৱাই ওগী গোল মঙা অদু এম প্রিয়াচন্দ্র অমসুং কে ঐচ রবিকুমারনা গোল ২/২ অদুগা এস তোকেন্না গোল অমা চনখি।

# নাগালেন্দগী বিলাসের খাতেনা নুপাগী অদুগা অসামগী লেনিন জামিরনা নুপীগী ওপন সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে





ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ ঃ মণিপুর টেনিস এসোসিএশন্না শিন্দুনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটতগী অফবা টেনিস শান্নরোয় কয়া ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পুথোক্লবগী পান্দমদা লেপ্তুনা পাঙথোরকপা মরিশুবা নোর্থ ইষ্ট কেশ প্রাইজ টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা নাগালেন্দগী বিলাসের খাতেনা নুপাগী অদুগা অসামগী লেনিন জামিরনা নুপীগী ওপন সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিসরস ক্লবকী টেনিস কোর্টতা চথরকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মেন'স ওপন সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা নাগালেন্দগী বিলাসের খাতেনা মিজোরামগী লালমাচুআনাবু ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। লেদিজ ওপন সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা অসামগী লেনিন জামিরনা মণিপুরগী বন্তি ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীরমখি।

মেন'স ওপন দবলসকী ফাইনেলদা নাগালেন্দগী বিলাসে খাতে অমসুং মেটবা অনীগী জুরানা মণিপুরগী টি ব্রোজেন অমসুং টি ঐচ রিভাস্করগী জুরাবু ৬-১, ৭-৬ তা মায়থীবা পীখি। চহী ৪৫ মথক্কী ভেটরান'স দবলসকী ফাইনেলদা এন কাংজাম্বা অমসুং টি টুলেশ্বরগী জুরানা ৱাই ইবোতোম্বী অমসুং ঐচ ইবোতোম্বীগী জুরাবু ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। চহী ৫৫ মথক্কী ভেটরান'স দবলসকী ফাইনেলদা এন দিলিপ অমসুং ঐচ ইবোতোম্বীগী জুরানা ঐচ সসাঙ্কা অমসুং লৈশেমস্না অনীগী জুরাবু ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।



















Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com